নাগোর্নো-করাবাখতা সীজফায়র চৎনহনবগী ৱাফম য়ান্নখ্রে

মোস্কো, ওক্টোবর ১০ (এজেন্সি): অজর্বাইজানদগী তোঙান্না তাখ্রবা ইথনিক অর্মেনিয়নশিংনা খুন্দাবা অমসুং লৈঙাকচবা চীংগী এনক্লেব অমা ওইরিবা নাগোর্নো-কারবাখতা সীজফায়র থম্বগী ৱাফম অর্মেনিয়া অমসুং অজর্বাইজন্না য়ান্নখ্রে।

রসিয়ন ফোরেন মিনিষ্টর সর্গে লাভরোভনা শীন্দুনা মোস্কোদা পুং ১০ চুপ্পা ৱারী শান্নরবা মতুংদা ৱাফম অসি লাউথোরকখিবনি। লৈবাক অনীগী দিপ্লোমেটশিংনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি মদুদি প্রিজনরশিং এক্সচেঞ্জ তৌনবা য়ানবা অমসুং অশিবশিং রিকোভর তৌবা য়ানবগী পান্দমগা লোয়না ট্রুস অদু চৎনহনবগী ৱাফম নাকল অনীগী মরক্তা য়ান্নখিবনি। ৱাফম অদুগী তংদাংবা অকুপ্পশিং কোন্না য়ান্নবা পুরক্কনি।

ট্রুস অদু নুমিৎয়ুংবদা চৎনহন্নবা হৌখিবা মতুং ঙাইহাক্কী মনুংদা অর্মেনিয়া অমসুং অজর্বাইজান্না অমনা-অমবু ইনৌ নৌনা এটেকশিং চত্থদুনা সীজফায়র থুগায়বগী মরাল শীন্নখি। নাকল অনীগী ক্লেমশিং অদু ভেরিফাইদ তৌবদি ঙমখিদে।

রসিয়া ফোরেন মিনিষ্টর সর্গে লাভরোভনা শীন্দুনা মোস্কোদা পুং ১০ চুপ্পা ৱারী শান্নরবা মতুংদা পুরকখিবা ট্রুস অদু মহাক্না লাউথোকখি। সীজফায়র অদুনা কনফ্লিক্ট অদুগী ৱারোইশিন পুরক্লবগী ৱারী শান্নবা য়ানবগী লম্বী ফাৎলগনি হায়না লাভরোভনা পাথোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি। অজর্বাইজানি অমদি অর্মেনিয়ন ফোর্সশিংগী মরক্তা ইনৌ নৌনা খুৎ থোক্লরকখিবদু সেপ্তেম্বর ২৭তগী হৌখি। নাকল অনীগী লান অদুদা মীওই চা কয়াগী পুন্সি লোমখ্রে।

এফ আই আর রেজিষ্টর তৌনবা খঙহনখ্রে

বেঙ্গলুরু, ওক্টোবর ১০ (এজেন্সি) : অনৌবা এগ্রী-সেক্তরগী লোশিংবু প্রোটেষ্ট তৌরিবা লৌমীশিংগী মরমদা থাগৎপা ট্বিটর পোষ্টকা মরী লৈননা এক্টর কঙ্গনা রানাউটপু বুক তৌনবা ইরাই নুমিত্তা কর্নাতাকাগী কোর্ট অমনা পুলিস ষ্টেসন অমদা খঙহনখ্রে।

রুলিং অদু রামেস নাইক কৌবা উকিল অমনা প্রাইভেট কমপ্লেন অমা ফাইল তৌখিবা মতুংদা কোর্ট অদুনা পীরকখিবনি। লৈবাক অসিগী লৌমীশিং খুদিংমক্তা জষ্টিস ফংহনবিয়ু। কোর্টনা জুরিসদিক্সনেল পুলিস ষ্টেসনদা এফ আই আর রেজিষ্টর তৌনবা ঐহাক্না ক্রিমিনেল কেস অসি থাঙ্গত্তুনা হায়জখি মদুগী মতুং ইন্না কোর্টনা দিরেক্সন অসি পীরকপনি হায়না রুলিংগী মতুংদা এদভোকেটনা হায়খি।

হাউস পেনেলনা টি আর পি ফ্রাউদ ইশ্যু লৌখৎলবা য়াই

বেঙ্গলুরু, ওক্টোবর ১০ (এজেন্সি) : টি ভি চেনেল অহুম্না লোনা য়াদবা মওংদা টেলিভিজন রেটিং পোইন্টস (টি আর পি) মেনিপ্যুলেসন তৌবগী রেকেট অমা থেংনরে হায়না মুম্বাই পুলিসনা লাউথোকখ্রবা মতুংদা শাসিথারুনা লুচিংবা পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কম্মিটি ওন ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিনা ইশ্যু অসি খন্নরবা য়াই হায়না পেনেল অসিগী মেম্বরশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা কার্তি চিদম্বরম্না ফোঙদোকখ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা মহাক্না ৱাফম অসি খন্ননবা থারুদা ইদুনা হায়জখ্রে।

‘কেরলাদা কোভিদ-১৯গী কেস খ্বাইদগী ৱাংবা থাক য়ৌদ্রি’

তিরুবনন্তপুরম, ওক্টোবর ১০ (এজেন্সি): হৌখিবা মে, জুন অমসুং জুলাইদা কেরলানা কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক মায়থিবা পীবা ঙমলে হায়না পাক শন্না থাজনবা অমা লৈখিবা ওইরবসু হৌজিক ষ্টেট অসিদা ইনফেক্সনগী চাং লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি অদুবু লায়না অসিগী কেস খ্বাইদগী ৱাংলকপগী থাক অদু য়ৌদ্রি হায়না ষ্টেট হেল্থ মিনিষ্টর কে কে সাইলাজান্না ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়খি মদুদি সেপ্তেম্বর থাদগী কেরলাদা কোভিদ-১৯গী অহেনবা কেস লাখ ১.৯৩ হেন্না হাপচিনখ্রে। মশিং অসি হৌজিক লৈরিবা কেস লোদ লাখ ২.৬৮ কী চাদা ৭০ দগী হেল্লি। হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা মহারাস্ত্র অমসুং কর্নাতাকা নত্তনা কেরলানা লৈবাক অসিগী অতৈ ষ্টেটশিংদগী নুমিৎ খুদিংগী ইনফেক্সন হেনবগী ফিভম উখি। নোংমদা থেংনবা কেস মশিং ২০,০০০ রোম ফাওবা য়ৌবা য়াই। ঐখোয়না হোৎনরিবসি নোংমদা য়াল্লবদা কেস ১৫,০০০ য়ৌহন্দবা অসিনি। নবেম্বর থা ফাওবগী মনুংদা ইনফেক্সন মশিং হন্থরকপা হৌবা য়াই হায়বগী থাজব লৈ হায়না হেল্থ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ꯊꯥꯒꯠꯄꯥ/ ‘ওজা **ABDUL HAK**, পাইলসকী কবিরাজপু থাগৎপা ফোঙদোকচরি’

পাইলসকী অনাবনা মরম ওইদুনা ঐহাক মতম কুইনা অৱাবা খাঙলকখি। খোঙ হাম্বদা কুইনা চঙবা, মরক-মরক্তা অমাংথোঙদা হাক্কৎচবা, ব্রী-ব্রী চৎপা, অমাংথোঙদা চেখাইরগা থুপ্পা, শাবা, শৌজ নান্থরকপা, খৃৎনা ইনখৎত্রিফাওবা চঙউ য়াদবা, গ্যাষ্ট্রিক কাবা, খ্বাঙ নাবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবনি। পুন্নমক অসি ঙসিদি ওজা **Abdul Hak** কী মনাক্তা চৎতুনা ওজাগা তানজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা পাইলস নাবগী অৱাবা পুন্নমক অদু কোক্লে- মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফজরে। মরম অসিনা ওজা **Abdul Hak** পু পুন্সি শাংনা মীয়ামগী সেবা মপূং ফানা তৌবীখো হায়না মপূদা থৌনীজরি।

ওজাগী লায়েংফমদি :-

1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6:00-5:00 p.m.)

Contact No. : 8794429681, 8014623756

থাগৎচরিবা : **M. Gopal Meitei**
Sagolband Tera Bazar

HL-P/7520/11

লাম্মীদা নন-বুলেট প্রুফ গাড়ি পীবগী চৈ থাংখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১০ (এজেন্সি) : প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী এয়রক্রাফট লৈবদা লুপা ক্রোর ৮,৪০০ চাদিং তৌরগা লাম্মীশিংগী ওইনদি নন-বুলেট প্রুফ গাড়িশিং ওইনা পীবগীদমক্তা কোংগ্রেসকী লিদর রাহুল গান্ধিনা থাংজ নুমিত্তা সেন্টর গভর্নমেন্টপু চৈ থাংখ্রে।

মহাক্না ট্বিটরদা নন-বুলেট প্রুফ গাড়িশিংদা লাম্মীশিং পুথোক-পুশিন তৌবগী মতাংদা মখোয়গা ৱারী শান্নখিবগী ভিদিও অমা থাগৎপগা লোয়ননা গভর্নমেন্টকী থৌওং অসি জষ্টিসরা হায়না হংখি। মহাক্না হায়খি মদুদি ঐখোয়গী জৱানশিং লানফমশিংদা নন-বুলেট ট্রকশিংদা থারগা শিহল্লি। অদুগা অমরোমদা, প্রাইম মিনিষ্টরগীদমক্তা লুপা ক্রোর ৮,৪০০ কী এয়রপ্রাফট লৈরি।

‘চাইনানা এল এ সীদা লাম্মী ৬০,০০০ থমজিনখ্রে’

ৱাশিংটন, ওক্টোবর ১০ (এজেন্সি): হন্দক্কী টোকিয়োদা পাঙথোকখিবা ক্বাদ লৈবাকশিং হায়বদি য়ু এস, ইন্দিয়া, ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং জপানগী ফোরেন মিনিষ্টরশিংগী ওইবা মীফমদা শরুক য়াখিবা য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিওনা হায়খ্রে মদুদি চাইনানা ইন্দিয়াগা তাইনবা বোর্দর পরিংদা লাম্মী ৬০,০০০ দিপ্লোই তৌশিনখ্রে। চাইনাগী অসিগুম্বা অকন-অরিং শীংবগী থৌওংশিং অসিবু থেংনবদা ইন্দিয়ানা মীচং অমসুং পার্টনর ওইনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী মতেং য়াম্না তঙাইফদে।

কোরোনাভাইরস পেন্দেমিক হৌখিবদগী অহানবা ওইনা শক-মায় উন্নদুনা পাঙথোকপা মীফম ওইরিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী টোকিয়োগী মীফম অদুদগী হল্লকপদা পোম্পিওনা ইন্টরভিয়ু অহুমদা চাইনাগী থৌওংশিংগী মতাংদা পন্দুনা ঙাঙবদা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

নোভেল পীছ প্রাইজ ৱর্ল্ড ফুদ প্রোগ্রমদা পীখ্রে

ওস্লো, ওক্টোবর ১০ (এজেন্সি): চাবা ফংদবগী প্রোব্লেম কোকহন্নবা হোৎনবা, কনফ্লিক্টনা শোকহল্লবা মালেমগী মফম কয়াদা মরা-তপ্পা ফিভম লাকহন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংবা, লান অমসুং কনফ্লিক্টকী খুৎলায় অমা ওইনা চাবা ফংদবগী ফিভম্মু শীজিন্ননবা হোৎনবা থিংবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌবগীদমক্তা কুমজা ২০২০গী নোভেল পীছ প্রাইজ য়ু এন এজেন্সি ৱর্ল্ড ফুদ প্রোগ্রাম (দব্লিয়ু এফ পি)দা পীরগনি হায়না ইরাই নুমিত্তা নোর্ৱিজন নোভেল কম্মিটিনা লাউথোকখ্রে। দব্লিয়ু এফ পিনা নোভেল পীছ প্রাইজ ফংবা ২৮ শুবা ওর্গনাজেসন্নি।

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / NOTICE

This is to notify that I was driving my brand new Suzuki Access 125 Scooty (Blue) at Uripok Khaidem Leikai near Pitstop Cafe under Imphal West District of Manipur on date 8/10/20 at around 9:30 pm. When I was hit by a red colour Brezza Car, as I approached the Uripok street, I was driving approximately 25-30 km/hr. I was in my lane, and the car hit me from the backside and ran away. I don't know if he was trying to change the lanes or whether his intention was to kill me. For this reason, I believe that it was negligent and is liable for my injuries and damages caused in my brand new Scooty.

Note : If any red colour Brezza car found in damage condition from front side, please report to nearest Police Station. Handsome reward will be paid.

Sd/- **Romen Chettry**
A.R. Colony, Kanglatongbi, # 9612803817

HL-P/7714/11

BEFORE THE NOTARY/OATH COMMISSIONER, IMPHAL WEST, MANIPUR

ꯋꯥꯁꯛꯂꯣꯟ / **AFFIDAVIT**

I, **GS-177280N DVRMT-1 SATISH KUMAR**, Date of Birth : 10-01-1973, S/O. Late Jainmand Singh, a permanent resident of Hulash Garh, P.O. Talheri Buzurg, District : Saharanpur, State- Uttar Pradesh, at present 512SS & TC (GREF), LAMPHELPAT, IMPHAL, MANIPUR, do hereby take oath and solemnly affirm as under:

1. That, I am a Central Government Employee now serving as a Driver of GENERAL RESERVE ENGINEER FORCE (GREF), posted at 512SS & TC (GREF), LAMPHELPAT, IMPHAL, MANIPUR. This is true to my knowledge.
2. That, on 10th day of October, 2020 (10/10/2020) at about 3:15 pm. I have lost my original Purse containing Pan Card being No. ALCPK3148A, ATM Card being No. 513072000213148, Liqur Card (Grocery) being No. GA0210061057860010, Service ID-Card being No. 68261 including Cash Rs. 1,500/- Notes (1000 note + 100 (five nos)) on my way within Thangal Bazar area, Imphal West District, Manipur. This is true to my knowledge.
3. That, I have made vigorous searches the lost relevant documents mentioned above in para No. 2 and can not be traced out till date. This is true to my knowledge.

Verified and the contents of para 1 to 3 of this Affidavit are all true to the best of my knowledge, It conceals nothing and I swear this Affidavit on this 10th day of October, 2020 at Imphal.

By : Advocate

Signature of the Deponent
Satish Kumar

Kh. Biren Singh
(B.Sc.LL.B.) Advocate
High Court & Subordinate Courts

Y. Sanatomba Meetei
Oath Commissioner (Judicial)
Imphal West, Manipur

HL-P/7674/7

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE PRINCIPAL : MANIPUR COLLEGE : IMPHAL
ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / **ADMISSION NOTICE**

Imphal, the 09th Oct., 2020

No. 1-Adm/MC/2020 : It is hereby notified to all concerned that the Second selection list in order of merit eligible for admission in B.A./B.Sc. 1st Semester in Manipur College for the academic session 2020-21 is notified in www.manipurcollege.net and College Notice Board.

Counselling cum Admission Scheduled for both Science and Arts Stream are scheduled on 12 and 13 October 2020 from 10.00 a.m. to 3.00 p.m.

It is also further notified that if any vacancy after second counseling arises the third counseling will be scheduled on 14 and 15 October (from 10.00 a.m. to 3.00 p.m.). Applicants are advised to visit manipurcollege.net regularly for any further information.

Note : The intake capacity of each subject combination is subject to availability of seats in concerned subjects.

HL-P/7713/11

Sd/- **Dr. W. Shambhunath Singh, Principal**

TRANSLATING DRAFTING & EDITING AT WONDER WORD WEAVER

1. Translating works in Manipuri into English.
2. Editing thesis for research scholars.
3. Editing project-works for students.
4. Editing articles for newspaper, magazines, press, etc.
5. Drafting applications or representations.
6. Editing applications or representations.

***Authors, writers, journalists, reporters, research scholars and students can avail the above services at affordable prices.**

For details please contact :
WONDER WORD WEAVER
8974642764
Or write to :
wonderwordweaver@gmail.com
phoenixrhymeschool@gmail.com

HL-B/6436/9/10-6/11 (alt)

ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯇꯕꯥ / **CONDOLENCE** পাঙথোকখ্রে

থৌবাল, ৯/১০/২০২০ ইং

Indian National Congress Party গী কর্মি Lilong Block Congress Committee গী প্রসিদেন্টকী থৌ পুবীরম্বা Md. Karimuddin (54) না হৌখিবা তাং ৭/১০/২০২০ দা মশাগী য়ুমদা খঙহৌদনা লৈখিদ্রে।

লৈখিদ্রবা Md. Karimuddin গীদমক হৌখিবা তাং ৯গী অয়ুক পুং ৮.৩০ রোম তাবদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট শ্রী নোংমাইথেম লুখোই সিংহনা লুচিংদুনা পার্টিগী কর্মিশিংগা লোয়ননা মিনিট ২ (অনী) তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অমা কোংগ্রেস ভবন থৌবালদা পাঙথোকখ্রে।

Md. Karimuddin না য়াম্না নহা ওইনা মনুং-মতম চাদনা লৈখিদবা অসি ঐখোয় পুন্নমক্কী অমদি মায়কৈ অসোমগী ওইনা অচৌবা মাঙজবা অমনি হায়না শীংথানখি অমসুং ঐখোয় কোংগ্রেস কর্মি অমা ওইনা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়না ঙসিগী চন্নবা condolence কী থৌরমদুদা শ্রী এন লুখোই সিংহ, প্রসিদেন্ট, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কোংগ্রেস কম্মিটিনা সভাদা থম্বীখি।

Sd/- **Y. Basanta Singh**
General Secretary

HL-P/7716/11

ꯊꯥꯒꯠꯄꯥ/ য়ারোমদা য়াম্না খেগৎপা, অমাংথোংদা নুংশিৎ চৎলু য়াদবা, খোং হাম্বা য়াদবা, খোং হাম্বা য়ানবা হোৎনবদা হকচাংদা অৱাবা অমা ওইবা, পুকচেপ নাবা, খ্বাং নারগা থবক কুইনা শুবা ঙমদবা, তাঙ-তাঙ চিকপা, কোক য়াম্না তোয়না চিকপা, খোং নাম্মা মরক-মরক্তা চিংগে তৌরকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা গ্যাষ্ট্রিকনা য়াম্না কন্না নাদুনা য়ারোমদা য়াম্না তোয়না খেগৎলকপা অশিনবগা লোয়ননা, অমাংথোংদা নুংশিৎ চৎলু য়াদবা, খোং হাম্বা য়াদবা, খোং হাম্বা য়াদবনা চাবা থকপসু য়াদবা, করিগুম্বা অমা চাশিল্লবসু গ্যাষ্ট্রিক কাবা হেনবা, শা-ঙা, থাউ, মোরোক চাবা য়াদবা, চারগনা পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা হেনবা, খোং হাম্বা য়ানবা হোৎনবদা হকচাংদা অৱাবা ওইবা, খোং হাল্লগসু হামেং মথিগুম্না খজিক্তং হাম্বা, পুকচেপ নাবা, চখাউ শোকপা, চখাউ শোকপগী হিদাক চারবসু চখাউ শোকপা ফদবা, খ্বাং নারগা থবক কুইনা শুবা ঙমদবা, তাঙ-তাঙ চিকপা নাবা, অহিং তুম্বা য়াদবা, কোক য়াম্না তোয়না চিকপা অমদি কোক লুম লুম লাউরগা লৈবা, মরক মরক্তা খোং নাম্মা চিংগে তৌরকপা অদুগা অমুক ফখিবা, ফম্বী শোনবা, ফম্বী থুনা থুনা চৎপা, খোংয়া শাবা, য়াংলেন শরুদা চিকপা নাবা, মশলশিং অসি থিন্দোকপা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

থাগৎচরিবা : **K. Sarat Meitei, Thoubal**

HL-B/6380/11

APOLLO ACADEMY
Moulding Medical & Engineering Career

ADMISSION OPEN

CLASSES - XI & XII (Science) Both CBSE & COHSEM

FOUNDATION COURSE 2020-21

☞ 20 STUDENTS PER CLASS ☞ ONLY EFFECTIVE OFFLINE CLASS

For Details :- Plz. Contact APOLLO Office, Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office.

Class Starts : 22nd Oct. 2020
Office Timing : 7a.m - 4p.m

HL-B/6389/9-15/10(alt)

ꯊꯕꯛ / **JOB VACANCY**

One of the leading Trader/Firm dealing in trade marketing of non-woven Bag, Paper base product located in Canchipur near MANIPUR UNIVERSITY Northern Gate Looking for the below vacancy:-

SL No.	Post	No. of Post	Gender	Qualification	Pay Scale	Age
1	Marketing Executive	2	Male	Graduate/B.B.A (minimum 1-2 yrs. experience in marketing & sales)	7-10k (Negotiable)	23-30yrs
2	Salesman	2	Male	10+2	6-8k (Negotiable)	18-25yrs
3	Accountant	1	Female	B.Com/M.Com(minimum l-2yrs.experience as an Accountant)	7-10k (Negotiable)	23-30yrs

Interested candidate may submit their resume in our office **KHUMAN ECO PVT LTD** located at Canchipur MANIPUR UNIVERSITY northern Gate or may contact at **+91-7005140447 (Calling Time-9.30 A.M to 4.30 P.M)**

Last date of Resume Submission : 11th Oct. 2020.
Sunday open for Form Submission.
Interview Date :- 12th Oct. 2020 at 10:30 A.M
Office Hour :- 9:30 A.M to 4:30 P.M

HL-P/7705/10&11

TEMPLE OF LEARNING DEGREE COLLEGE, (T O L D C) CANCHIPUR
Affiliated to MANIPUR UNIVERSITY

ꯆꯪꯁꯤꯟꯕꯥ / **ADMISSION OPEN, 2020-21**

PROFESSIONAL COURSES:-

1. BCA —Bachelor in Computer Application.
2. BBA—Bachelor in Business Administration.

GENERAL COURSES:-

1. B.Sc—Bachelor of Science.
2. BA—Bachelor of Arts.

Online: *tolcanchi@gmail.com*

Offline : TOL Counter Contact Nos. **9612346366, 7005155523**

HL-P/7703/10-12

ꯊꯥꯒꯠꯄꯥ/ ইবুং লাইশ্রম সুধাকরবু থাগৎচরি

সুধাকর

সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক ইম্ফাল (near I.T.I.)দা লৈবীরিবা নুঙগী লায়েংবা পাবুং লাইশ্রম নবকিশোরগী মচানুপা ইবুং লাইশ্রম সুধাকরনা লায়েংবীদুনা ঐগী য়েৎ থংবা কিদনীদা 5.2 mm চাওবা নুঙ অমা লৈরম্বদু তাহনবীখ্রে। মসিগীদমক ইবুংবু থাগৎচরি।

Sd/- **Ngangom Kalpana**
Thangmeiband Meisnam Leikai

HL-P/7693/11

(HL-B/6038/7/10-4/11 (alt)

SARASWATI INSTITUTE OF MANAGEMENT & PARA-MEDICAL SCIENCES
Opp. to 6th IRB, MPTC Pangei, Imphal East
Affiliated to Manipur University & Approved by the Ministry of HRD, New Delhi
Contact No. : 98565 75163 / 94022 33554
Email : plusphijam27@gmail.com www.simpsimphal.com

100% Job placement
ADMISSION NOTICE
Estd. since 2016

B.Sc. (MLT, RIT, OTT)
B.Sc. Forensic Science
Diploma in Pharmacy
Diploma (MLT, RIT, OTT, DIALYSIS)

Last date of Form Submission 10th September 2020

ADMISSION OPEN
100% Job Placement
COURSES OFFERED

(HL-B/6322/20/08-19/09 (alt

ADVANCED COACHING INSTITUTE

ADMISSION OPEN FOR MEDICAL AND ENGINEERING FOUNDATION

FOUNDATION COURSE 2020

CLASS X(BOSEM) CLASS X(CBSE)
CLASS XI (COHSEM &CBSE) CLASS XII (Sc.,Arts & Commerce)

LIMITED SEAT FIRST COME FIRST SERVE

Batches : Morning 4.30am-7.50am, 8.15-11.30am & 12.30-3.45pm,4.30-8.45pm

RAPID TEST SERIES ON EVERY SUNDAY

LAST DATE OF ADMISSION : 15th Oct. 2020

TIME: OFFICE HOURS

SEPARATE HOSTEL FOR BOYS AND GIRLS'

SPECIAL CONCESSION

1. 50% OFF IN REVISION COURSE (Ex student).
2. SPECIAL FEE CONCESSION ON 90% & ABOVE IN X EXAM.
3. REGULAR MOCK TEST SERIES ON EVERY SUNDAY.
4. SPECIAL FEE CONCESSION ON GOVT. SCHOOL.

ADVANCED COACHING NAGAMAPAL

Whatapp no : 8787586090/9862992105

advancedcoachinginstitute12@gmail.com

NAGAMAPAL LAMABAM LEKAI, NEAR RIMS ROAD JUNCTION

FOR QUERY : 9862992105

ꯂꯥꯏꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / লায়েংজরি

UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)

হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)

তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)

দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থর্ককনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)

নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)

পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)

ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)

নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)

না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)

শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegetables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL

If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking.

HL-B/6430/04/10-02/11